## সোসল মিদিয়া থাজনদ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৪ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কুম্বা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ক্রাইসিসশিংগী মনুংদা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংগী খুথাংদা অরানবা পাউ অমদি ওইদবা ৱাফম কয়া ভাইরেল ওইনা শন্দোকপনা মরম ওইদুনা পাউচেশিং অমসুং টি ভি চেনেলশিংগুম্বা মেনষ্ট্রিম মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়নশিংনা সোসল মিদিয়াদা থাজবগী চাং য়াম্না নেম্লে হায়বসি সী-ভোটরনা লৈবাক শীন-থুংনা চত্থখিবা সর্ভে অমনা উৎখ্রে।

## হুইনা মতেং পাংখ্রে

কানবেরা, মে ০৪ (এজেন্সি) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী লাম্মে চাক্নুনা তুম্না মাঙ-তাকখ্রবা নারক মোংশোংশিং লৈরম্বা মফমশিংদা ক্োলা ১০০ রোম বিয়র কৌবা অখন্ননা হৈশিংলবা রেস্ক্যু হুই অমনা মতেং পাংদুনা কনবা ঙমখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ দ সন্সাইন কোষ্টকী দিটেক্সন নৎত্রগা স্নিফর হুইশিং য়াওবা কঞ্জাভের্সন টিম্না ইন্টরনেসনল ফন্দ ফোর এনিমেল ৱেলফেয়র অমসুং লোকেল ৱাইল্ডলাইভ গ্রুপশিংগা খুৎশম্নরগা লৌখৎলকপা ইনিসিএটিভ অমগী মখাদা লাম্মে চাক্লিবা মফমশিংদা ক্োলাশিং থিদোকপা ঙম্লিবনি।

## চাইনাদগী গ্লোবেল সপ্লাই চেনশিং থদৎনবা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না হোৎনরি : ওফিসলশিং




ৱাশিংটন, মে ০৪, (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ হেন্দল তৌবগী মওংগা মরী লৈননা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না বৈজিংবু চৈরাক পীনবগীদমক্তা অনৌবা টারিফশিং চৎনহন্নবা খন্নরকখিবগা ইরোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা চাইনাদগী গ্লোবেল ইন্দষ্ট্রিএল সপ্লাই চেনশিং লৌথোক্লনবগী থবক কনখৎলক্লি হায়না য়ু এসকী থৌরাং অদুগী মতাংদা খঙবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নভেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলগী মাঙওইননা চাইনাবু চৈ থাংবা হেনগৎলক্লিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মেন্যুফেকচরিংগী থবকশিং মপান্দগী শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না অমেরিকানশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী থাজবা পীদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা পীরকপা অমদি মী শিবগী চাং কা হেন্না ৱাংলকখিবনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টনা য়ু এসকী পোত্থোক পুথোকপা অমসুং সপ্লাই চেনগী থবকশিংদা চাইনাগী মপাং তাংদনবগী খোঙথাং লৌখৎলক্লিবনি।

এদমিনিষ্ট্রেসনগী হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী সিনিয়র ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না চাইনাদগী পুথোরক্কদবা মেন্যুফেকচরিং অমসুং সপ্লাই চেনগী থবকশিং হেন্না মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংদা হোংবসু য়াই। হৌখিবা চহী খরগী মমাংদগী ঐখোয়না সপ্লাই চেনশিং চাইনাগী মপাং তাংবা হন্থহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লবসু ইনিসেটিভ অসি য়াংশিন্নবা থবকশিং পায়খৎলে হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ইকনমিক গ্রোথ, এনর্জি এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি কৈথ ক্রাচনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি য়ু এস সিক্যুরিটিগসু য়াম্না মরী লৈনৈ হায়না পল্লদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা গভর্নমেন্টনা অনৌবা থৌরাং লাউথোক্লবা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু এস কর্মর্স দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট অমসুং অতৈ এজেন্সিশিংনা কম্পনিশিংদা সোর্সিং অমসুং মেন্যুফেকচরিং অনীমক চাইনাদগী পুথোরক্লবগী লম্বীশিং য়েংননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবা খন্নরিবশিংগী মনুংদা টেক্স ইন্সেন্টিভশিং পীবা অমসুং সবসিদিশিং হেনগৎহনবগী ৱাফমশিং য়াওই। য়ু এসনা ইকনমিক প্রোস্পেরিটি নেটৱার্ক কৌবা থাজনিংঙাই ওইবা পাটনরশিংগী ওইবা এলাইয়ন্স অমা শেম্নবা হোৎনরি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## টালিবানননা অফঘান লান্মী ৫ হাৎখ্রে



কাবুল, মে ০৪ (এজেন্সি) :
অফঘানিস্তানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সকী মিলিটরি আউটপোষ্ট অমগী মনাক্তা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা ট্রক অমা পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবা অফগান লান্মী ৫ শিখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা নহর-ঈ-সরাজ দিষ্ট্রিক্তা চত্থখিবনি। এটেক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীওই ৫ শিখি, অতোপ্পা ৭না অশোক-অপন নংখি অমসুং আউটপোষ্ট অদু অমাঙ-অতা থোকখি হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নরগী স্পোক্সপর্সন ওমার জৱাকনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফেসিলিটি অদু অফঘান আর্মি অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী স্পেসল য়ুনিটশিংনা পুন্না চল্লাইমিন্নবনি। অহানবগী রিপোর্টশিংনা বোম্মর অদুনা আউটপোষ্ট অদুদা চত্থখিবা এটেক অদুদা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা ট্রক অমা শীজিন্নখিবগী ইঙ্গিৎ পীখি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা এটেক অদু কনফার্ম তৌখি অদুবু মীশি-মীনাগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

টালিবানগী স্পোক্সপর্সন কারি য়ুসুফ অহমাদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা অফঘান গভর্নমেন্টকী মিলিটরি ওপরেসনশিং পল্লদুনা এটেক অদু য়েক্লবনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না কায়হৌবা অমসুং মীচমশিংদা এটেক কয়া চত্থবগী পাউখুম ওইনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। য়েক্লবগী ফেসিলিটি মপুং ফানা মাঙহন-তাকহনখিবগা লোয়নননা য়েক্লবগী লান্মী অমসুং ইন্টলিজেন্সকী মীওই কয়া মীশি-মীনা থোকহনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## জপানগী অবেনা ইমর্জেন্সি মে ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে



টোকিয়ো, মে ০৪ (এজেন্সি) :
জপানদা চৎনরিবা নেসনল ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি মে ৩১ ফাওবা শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম লমদমগী ওইবা ইনফেক্সনগী ফিভমশিংগী অকুপ্পা এনালাইসিসতা য়ুম্ফম ওইরগা এক্সপার্ট এদভাইজরশিংনা ফোঙদোরকপা মোৎকী মতুং ইন্না মে ৩১ য়ৌদ্রিঙৈগী মমাংদা ইমর্জেন্সি লৌথোক্লবা খন্নবসু য়াই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা গভর্নমেন্টকী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকী মীটিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্কী এদভাইজরশিংনা মঙোন্দা জপানদা হৌজিক ফাওবা অতৈ লৈবাক খরদা উবগুম ইনফেক্সনগী চাং কা হেন্না ৱাংবগী ফিভম লৈত্রবসু অনৌবা ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী চাং শীংতানিংঙাই ওইনা হন্থরকপগী মওং লৈতবনা জপানগী মফম কয়াদা মেদিকেল সিষ্টেমনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়না খঙহল্লক্লে। মীৎয়েং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা এপ্রিল ১৭তা লাউথোকখিবা ইমর্জেন্সি মে ৩১ ফাওবা শাংদোক্লবা ঐহাক্না ৱারেপ লৌরে হায়না অবেনা ফোঙদোকখি।

অবেনা হায়খি মদুদি, লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা টোকিয়ো অমসুং ওসাকা য়াওনা প্রিফেকচর ৩৩গী ওইনা মী অমগা অমগা শম্নবগী চাং চাদা ৮০ ফাওবা হন্থহনবগী টার্গেট মখা তানা লৈহনখিগনি। জপাননা থেঙ্খাং নাইনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন শন্দোরকপা থিংবগা লোয়নননা সোসল ইকনমিক এক্তিভিটিশিং কায়হন্দনা চত্থবা য়াগদবা ফ্রেমৱার্ক অমদা লাক্কনি।

মালেমগী হোটস্পোট খরগা চাংদম্নবদা জপানদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ কা হেন্না কনবগী মওং উদ্রবসু ভাইরস অসিনা হৌজিক ফাওবদা ইনফেক্সন ১৫,৯১৩ থোকহনবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদা লৈবাক অসিদা শিখিবা মী মশিং ৫৪২ য়ৌরে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন এস কেনা হায়রি।

## মালেমগী কোরোনাভাইরস কেস মিলিয়ন ৩.৫ হেল্লে



সিদনি, মে ০৪ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস হেনগৎলকপগী চাং অমদি ভাইরস অসিনা মী শিহনবগী চাং তপথরক্লবসু এক্সপার্ট কয়ানা ইনফেক্সন রিপোর্ট তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংলমগনি হায়না চিংনবা লৈনা লৈনা মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস কেস মশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিয়ন ৩.৫ লানখ্রে অমসুং লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিংনা মিলিয়ন অমগী শরুক মরি থোকপগী অমরোম য়ৌরে হায়রি।

শিবা অমসুং ইনফেক্সনগী চাং খরা হন্থরক্লে হায়রিবা নোর্থ অমেরিকা অমসুং য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা খ্বাইদগী হেন্না অনৌবা ইনফেক্সনশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রিপোর্ট তৌবা লৈবাকশিং ওইখি। তৌইগুম্বসুং লেটিন অমেরিকা, অফ্রিকা অমসুং রসিয়ানসু অনৌবা কেসশিং রিপোর্ট তৌবা হেনগৎলকপদগী এক্সপার্ট কয়ানা মালেমগী ওইবা অপুনবা দেতা অসি পান্দেমিক অসিনা থাঙ্গৈশেংনা পীরিবা ইম্পেক্ট য়ৌরল্লোই হায়বগী চিংনবা ফোঙদোক্লখি।

ওফিসল গভর্নমেন্ট দেতাদা য়ুম্ফম ওইবা এজেন্সিগী টেলি অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মালেমগী ওইনা অনৌবা কেস ৭৪,৭৭০ হেন্না হাপচিল্লকখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং মিলিয়ন ৩.৫২ রোম য়ৌরে। মশিং অসি চহীগী ওইনা ফ্লুনা মালেমদা থোকহল্লিবা ইনফেক্সনগী কেস মিলিয়ন ৩ দগীনা ৫ রোমগা চাংদম্নবদা চাওরাক্লা মান্নে হায়বা য়ারবসু কুমজা ১৯১৮দগী হৌরগা মালেমগী মীওই মিলিয়ন ৫০০ রোম শোকহনখিবা স্পেনিস ফ্লুগী লাইচৎতা রেকোর্দ তৌখিবা মশিং য়ৌগদবদি য়াম্না ৱাৎলি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজসেন (দব্লিয়ু এচ ও)না হায়রি। নোভেল কোরোনাভাইরসনা থোকহনবা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মী মশিং হৌজিক ২৪৬,৯২০ রোম য়ৌরে।

## জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মফমশিং থাদোক্লবা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০৪ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টান্না লোনা য়াদবা মওংদা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মফম খুদিংমক খুদক্তা থাদোক্লবা অমুক হন্না লৈবাক অসিদা ইন্দিয়ানা হায়খ্রে।

কাশ্মিরগী হন্দৱারাদা পাকিষ্টান্না শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনা টেরর এটেক চত্থদুনা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ হাৎখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা ৱাফম অসি অমুক হন্না খঙহনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী সিনিয়র দিপ্লোমেট কৌখত্তুনা কুমজা ১৯৪৭ তগী লোনা য়াদবা মওংদা পায়শিন্দুনা লৈরক্লিবা হান্নগী ষ্টেট জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শরুক অমা ওইরিবা গিলগিট-বালটিষ্টানগী মতাংদা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরবু অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

হৌখিবা জন্যুৱারিদা পীখিবা ওর্দর অমদা পাকিষ্টানগী এপেক্স কোর্টনা ইমরান খান গভর্নমেন্টনা হৌখিবা চহীদা পরিং নাইনা খোঙথাং কয়া লৌখত্তুনা কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা কয়া লাকহন্দুনা লমদম অদুগী খুৎপায় চেৎশিনহনখিবা মতুংদা গিলগিট-বালটিষ্টান অসি কোর্ট অসিগী দোমেনগী মনুং চল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) লমদম অদু ফাওনা পায়খৎলক্লিবা অদু য়েংদুনা ইস্লামাবাদনা গিলগিট-বালটিষ্টানবু হেন্না চেৎশিন্না পায়শিন্নবা হোৎনরকখিবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিংনা পাকিষ্টান্না য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী অমসুং লদাখকী শরুকশিং লোনা য়াদবা মওংদা পায়শিন্দুনা লৈরিবসি লোৎশিনবা নৎত্রগা লমদম অদুদা পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা চহী কয়াগী মমাংদগী চত্থরক্লিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক থৌওংশিং মালেমগী মীৎয়েংদগী লোৎপা ঙম্লোই হায়বসি ন্যু দিল্লিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা খঙহনখি। ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা পাকিষ্টানবু হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপতি কুমজা ১৯৯৪ দা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন্না উৎখ্রবনি হায়বসি খঙহনখি।

## কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি

ন্যু দিল্লি, মে ০৪ (এজেন্সি) :
নেসনল কেপিটেল দিল্লি অসি নোভেল কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগীদমক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হর্স ভর্ধন্না ফোঙদোকখ্রে।




ন্যু দিল্লিদা পামীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্ট অমা পীবা ওইনা উনগদবা ওইবনা দিল্লিগী নোভেল কোরোনাভাইরসকী ফিভমগী মতাংদা ঐহাক্না কমেন্ট পীবা হায়বসি মরম চাদে হায়না লৌবা য়ারবসু ঐহাক্কী ওইবা মোৎতদি দিল্লি অসি কোরোনাভাইরস কেস কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা হেন্না কনবা থৌরাংশিং লৌখৎফম থোকপা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌই। শাথিরবা লাইচৎ অসিবু থেংনবগী থবক অসি মফম অসিদা হেন্না লুনা অমদি চেকশিন্না পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

লোকদাওন ৩.০ মনুংদা দিল্লিদা অথিংবা কোমথোকপগী চাং য়ারিবমখৈ হন্থহনফম থোকই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি, অথিংবশিং কোমথোকপগী চাং হন্থহনগে নৎত্রগা য়ারিবমখৈ কোমথোকপগী ৱারেপ অসি দিল্লি গভর্নমেন্টনা লৌজগদবনি। হেল্থ এন্দ হোম মিনিষ্ট্রিনা গাইদলাইনশিং পীবা লৈরবসু ষ্টেটশিংনা মখোয় মখোয়গী ফিভমশিংগী মতুং ইন্না গাইদলাইনশিং অদুবু কয়া য়াম্না অমসুং করম্না মওংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদগে হায়বদু লেপচগদবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লি অপুম্বা রেদ জোন অমা ওইরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা রেদ জোনশিংদা চৎনগদবা কোমথোকপগী থৌরাংশিং চৎনহন্নবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অহুম্লক শুবা ওইনা লোকদাওন শাংদোকহনখিবা মতুংদা দিল্লি গভর্নমেন্টনা ওফিসশিং হাংদোকপসু য়াহনখিবনি।

## ইলিগেল বোমবুলা ফেক্টরিদা পোকখায়রকপদগী নুপী ৩ শিরে



কৌসমভি, মে ০৪ (এজেন্সি) :
নিংথৌকাবা নুমিত্তা উত্তর প্রদেশকী কৌসমভি মনুং চনবা ক্রোখ্রাজ এরিয়াদা লৈবা বোম্বুলা ফেক্টরি অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা নুপী অহুম শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অমনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।


দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) রামবির সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, ভার্ৱারি পুলিস আউটপোষ্টকী মনাক্তা লৈবা হায়দর আলি কৌবা মীওই অমগী য়ুমগী মনিং থংবা শরুক্তা নুপী অহুম বোম্বুলা শাদুনা লৈখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদু মখোয়না থবক তৌরিঙৈদা থোকখিবনি। গীতা দেবী কৌবী নুপী অমনা খুদক্তা মফম অদুদা শিখি অমসুং অতোপ্পা নুপী অনীনা ব্লাষ্ট অদুদা ফিভম থিনা শোক্তুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরিঙৈগী মনুংদা শিখি। পোকখায়বদুনা মরম ওইদুনা চাক্লকখিবা মৈ অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা মুথৎখি। পুংখায়মুক কান্নরগা ফায়রটেন্দরশিং মফম অদুদা য়ৌরকখি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা থুংখিবা পুলিসনা মীওই কয়া য়ুম অদুদগী মপান্দা হোন্দোক্তুনা অনকপা মেদেকিল সেন্টরশিংদা লায়কন্ননবা থাখি। মখোয় লোইনমক মশাদা মৈনা পোকপগী মফমশিং লৈখি। ফিভম থিনা শোকখিবশিংগী মনুংদা বোম্বুলা ফেক্টরি অদুগী লেবরর নুপী ৪ অমসুং চহী নৌরিবা অঙাং অনী য়াওখি।

অশোকপশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা রসিদা কৌবী নুপী অমনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং থোং থাক্তুনা লৈরিঙৈদা গ্যাস সিলিন্দর লিক ওইরকপদগী পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখি। মফমদুদগী শন্দোরকখিবা মৈরি বোম্বুলা শারিবা মফম অদু য়ৌখি।

পোকখায়বগী মতিক ময়াই অদু কনমনখিবনা অকোয়বদা লৈরিবা য়ুমশিংগী ফক্লাংশিং চেকখায়খি অমসুং মীশিং য়ুমদগী চেন্থোক্লখি। বোম্বুলা ফেক্টরি অদু লাইন্সেস য়াওদনা চল্লাইরমখি হায়না পল্লদুনা দি এস পিনা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌরে অমসুং মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

## মাইগ্রেন্ট ৱর্কর লাখ ৬.৪৪ হোন্নবা স্পেসল ট্রেনশিং দিমান্দ তৌখ্রে



চান্দিগর, মে ০৪ (এজেন্সি) :
পঞ্জাবতা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট লেবরশিংবু মখোয়গী হোম ষ্টেটশিংদা হোন্ননবা মে ৫ দগী হৌনা মথংগী নুমিৎ ১৫ নি অসিদা অখন্নবা ট্রেনশিং থৌরাং তৌবদা মশামক্লা য়েংশিন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমৃন্দর সিংহনা ইদুনা তকশিনখ্রে।

লৈবাক শীন থুংনা চৎনহল্লিবা লোকদাওন্না মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মরমদমশিংদা হন্নিংবগী ৱাখলনা লৈতাফম খঙদনা লৈনরে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা শাহদা মতিক চাবা এরেঞ্জমেন্টশিংগীদমক্তা রেলৱে মিনিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীনবা খঙহনখি। মাইগ্রেন্ট ৱর্কর লাখ ৬.৪৪ দগী হেনবনা অখন্ননা শেম্বা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী পোর্টেলদা ময়ুম ময়ুমদা হন্নিংলে হায়দুনা মিং পীশিন্নরকখিবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টতা অখন্নবা ট্রেনশিং লাংবিনবা তকশিনখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ইবা লেটর অদুদা অমৃন্দরনা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টকী পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌরিবা মীওইশিং হোন্ননবা মথংগী নুমিৎ ১০ দগী ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নগদবা অখন্নবা ট্রেনশিংগীদমক্তা মহাক্না রেলৱেদা মাঙজৌননা খঙহল্লিবনি। মাইগ্রেন্টশিংবু মখোয় মখোয়গী মরমদমশিংদা নীংথিনা হনবা য়ানবগী থৌরাং লৌখৎনবগীদমক্তা লোকেল লেভেলদা ষ্টেট ওফিসরশিংনা রেলৱেজগী ওফিসরশিং অমসুং মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগী ওফিসলশিংগা তাথোক-তাশিন তৌনরি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, মতম-মতমগী ওইনা উত্তর প্রদেশ, বিহার অমসুং অতৈ নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদগী য়াম্লবা ৱর্করশিং ইন্দষ্ট্রি অমসুং এগ্রীকলচরগী সেক্তর অনীমক্তা মতম খরগী ওইনা থবক শুনবগীদমক্তা পঞ্জাবতা থুংলৈ। মহৌশানা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অসি হোলি মতুং মার্চতা পঞ্জাব থাদোক্তুনা মখোয়-মখোয়গী ষ্টেটশিংদা চৎনবদু লোকদাওন থমখিবনা মরম ওইদুনা হন্দক্তি ষ্টেট অসিদা পন্দুনা লৈখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।